ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায় অপ্পর প্রাইমারী স্কুলগী ওজা পুস্পারানিদা নেসন বিল্ডর এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপা

Teachers Day
লামায় ৩

সেকমাইগী লৌকোল হঞ্জিন হঞ্জিন্না আর্মিদা পীথোকপা য়ারোই হায়দুনা সেকমাই, কৈঙম, কান্তো অমসুং খুরখুলগী মীয়াম্না ৱাকৎ খোঙচৎ চৎপা

"Sekmai gi Loukon Hanna Harne Amyda Pithokpa Yaroi"
লামায় ৩

মীতৈ ময়েক্তা ইবা বি এ ফার্ষ্ট সেমিষ্টরগী মণিপুরী টেক্সবুকশিং সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবদা ফংহন্নবা দেসামগী থৌমীশিংনা মরী লৈনবশিংদা ৱার্নিং তৌবা

DEMOCRATIC STUDENTS' ALLIANCE OF
লামায় ৩

আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা কুম্বী কোলেজদা কঞ্জার্বেসন ওফ নেচর এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সনগা মরী লৈননা উ চারা থাবা

Vol. 41, Issue No.171 শগোলশেন, লাংবনগী ২৪নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, September 14, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

লৌফম কন্নবা দেটা বেঙ্ক থম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

আই এফ সী দিগী মমিং *দিপার্টমেন্ট ওফ ৱাটর রিসোর্সেস* ওনবা কেবীনেটনা য়াখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএনএস): মণিপুর কঞ্জার্বেসন ওফ দি পেদিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট, ২০১৪গী মখাদা লৌ উবা য়াবা লমশিং কন্নবা সেট্টলাইট ইমেজ লৌরগা দেটা বেঙ্ক অমা থম্নবা ষ্টেট কেবীনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চ্যের লৌদুনা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবীনেটকী মীফম অদুদা খন্ননবা শেম্বা লিষ্টতা য়াওবা ৱারম ১৩ অমসুং খন্ননবা য়াওদবা ৱারম মরি পুথোক্তুনা খন্নখি হায়রি।

কেবীনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতাংদা লৈঙাক্কী ৱাঙাং-লোয় ওইরিবা ৱার্কস মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা পাউমীশিংদা হায়খি, কুমজা ২০১৪গী মতুংদা লৌ উবা য়াবা লৌফমশিং শোক্না শাজিল্লিবশিং থিংনবা ঙসিগী মীফম্না ৱারেপ লৌরে। লো কায়না শাজিল্লিবা খুদিংমক করম্বা মখলগী পেনাল্টি পীগদগে হায়বগী মতাংদা তোখায়না খন্নখিগনি। অদুমকপু শীজিন্নগদৌরিবা লম অদু মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমগী ওইরগদি লৈঙাক্কী অয়াবা হান্না লৌগদবনি।

মণিপুর ষ্টেট ৱাটর পোলিসি, ২০১৭ কেবীনেটনা অয়াবা পীখ্রে। পোলিসি অসিগী মখাদা ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট (আই এফ সী দি)গী মমিং দিপার্টমেন্ট ওফ ৱাটর রিসোর্সেস হায়না ওনবসু য়াখ্রে। মমিং ওল্লিবসিগী মরুওইবা মরম ৱাটর মেনেজমেন্ট তৌবগী থৌদাং চপ চানা লৌহন্নবনি হায়রি।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে সব-দিভিজনগী মনুংদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱে-১০২, মোরে বাই-পাস শেম্নবা লম লন্নাই মীওইশিংদগী মণিপুর লৈঙাক অমসুং নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদনা লৈরগনি। থৌরাং অসিনা নহানমখে লমগী চয়েৎনবা লৈরম্বশিং অদু কোকহন্দুনা মোরে সহরদা গাড়ী চিন্দনবগীদমক ম্যান্মার তাখিবা অনৌবা লম্বী অমা শেম্বা ঙম্লগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তাদুবী সব-দিভিজন্দগী সেনাপতি সব-দিভিজন হায়বা অমা খাইদোকপা য়াখ্রে। নৌনা অয়াবা পীরবা সেনাপতি সব-দিভিজন্দা য়ুমকোক ৬,৯৮৩ লৈগনি অদুগা মীশীংনা ৩৭,২৫০ লৈ।

আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী এজেন্দা অমা ওইনা পুখৎলকখিবা জননেতা হিজম ইরাবতকী মিতম অমা ষ্টেট এসেমব্লিগী মখা থংবা মায়োক্নবা শরুক্তা খিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। মিতম খিল্লিবা মফম অমসুং মদুগী অকোয়বদুবু ইরাবত স্কৱার হায়না মমিং থোনবসু কেবীনেটনা য়াখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেটকী ওইজবা মেন্টেল হোস্পিটাল অমা লিংখৎনবা মফম লেপখ্রে। মীফম অদুনা হোস্পিটাল অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৭৬ সলাম-কৈখু, লমশাংগী দাগ নম্বর ৩৮৩দা লম একর ৮.১০ পাক চাউবা মফম অমা পীবা কেবীনেটনা য়াখ্রে।

লৈঙাক্কী মখাদা এম বি বি এস ওইনা হেক চঙবগা পি জি কোর্স তম্বা য়ারম্বদু হৌজিক্তি চহী ২ প্রোবি ওইনা থবক তৌদবা য়াহনখিদ্রে। মসিগীসু মথক্তা পি জি তৌবা চৎলমদাইদা বোন অমা...

মখা লামায় ৩ কলম ২

মচং ওইবা ৱারেপ

- ◆ লৌফম কন্নবা সেট্টলাইট ইমেজ লৌরগা দেটা বেঙ্ক থম্লগনি।
- ◆ আই এফ সী দিগী মমিং *দিপার্টমেন্ট ওফ ৱাটর রিসোর্ছেস* হায়না ওনবা য়াখ্রে।
- ◆ নেসনল হায়ৱে-১০২, মোরে বাই-পাস রোদকী লম লৈরগনি।
- ◆ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তাদুবী সব-দিভিজন্দগী সেনাপতি সব-দিভিজন হায়বা ১ খাইদোকখ্রে।
- ◆ ষ্টেট এসেমব্লি কমপ্লেক্সকী মায়োক্নবদা মিতম খিনবগা লোয়ননা ইরাবত স্কৱার শেমগৎলগনি।
- ◆ ষ্টেট মেন্টেল হোস্পিটাল অমা সলাম-কৈখু, লমশাং মায়কৈদা শানবা ৱারেপ লৌখ্রে।
- ◆ লৈঙাক্কী ডোক্টর হেক ওইবগা পি জি কোর্স তম্বা য়ারম্বদু হৌজিক্তি প্রোবি ওইনা চহী ২ থবক তৌদ্রবদি য়াররোই।
- ◆ লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা এম এস সী নর্সিং খুদিংমক্কী থবক্তগী পোত্থাবগী মতম চহী ৬৫দা লেপখ্রে।
- ◆ মণিপুর ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চীফ এঞ্জিনিয়ার চোংথাম রনবিরনা ওইরগনি।
- ◆ এন ঐচ-৩৭তা থোং ২৩ শাখিবদা লম লৌশিনখিবগী কম্পেন্সেসন পীথোকপা য়াখ্রে।

ইমপ্লোয়ীশিংগী থবক শুবগী মওং হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে : সী এম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎলিবা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং অমসুং স্কিমশিংগী ফীভম কমদৌরিবগে হায়বা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা য়েংশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী কেবীনেট হোলদা ঙসি অয়ুক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মিটিং অদুদা চাউখৎ-থৌরাংগী পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অমসুং স্কিমশিং শেনবা চহী ২০১৭-১৮গী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমগদ্রা হায়না য়েংশিনখি।

রিভিয়ু মিটিং অদুগী মতাংদা লৈঙাক্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা অওনবা পুরক্নবগীদমক ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক শুবগী মওং অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা অফবা লৈঙাক মীয়ামদা ফংহন্নবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোকশিংনা থম্মোয় শেংনা অমসুং মীয়ামগা অফবা মরী থমদুনা থবক তৌগদবনি। ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী কান্নবা লায়রবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লায়রবশিংদা হেন্না ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোকশিংদা পাউতাক পীখি হায়রি।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসলশিং শরুক য়াখি। মাগী মাগী দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎলিবা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিংগী স্লাইদ সোশিং কাপ্পুনা চীফ মিনিষ্টরদা য়েংহনখি অমসুং মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসলশিংগী মরক্তা ইন্টররেক্সন তৌনহনখি হায়রি।

এগ্রীকলচর, হোর্টিকলচর, ফোরেষ্ট, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ, দিপার্টমেন্ট ওফ ৱাটর মেনেজমেন্ট (আই এফ সী দি), মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পেনি লিমিটেদ, মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয়না হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী ষ্টেটস রিপোর্টশিং মীফম অদুদা থমখি।

মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি আর আর রস্মি, দি জি পি এলএম খৌতে, এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং, কম্মিস্নারশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী দিরেক্টরশিংসু শরুক য়াখি হায়না লৈঙাক্কী পাউ অসিনা মখা তারি।

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৮.৫৫

দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৯৬

মণিপুরী ১ মাঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ : নোইদাদা ম্যুজিকেল কন্সর্ট অমা য়েংবা চৎখিবা মণিপুরী অমা মফম খঙদনা মাঙখ্রে। ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না সেপ্টেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদবা কন্সর্ট য়েংনবগীদমক প্রবিস চনম কৌবা মণিপুরী অমা সেপ্টেম্বর ৭ কী নুমিদাংদা ন্যু দিল্লিদা থুংখি অমসুং মমান্নবগী ময়ুমদা লেকখি। মমিং লৈরবা বেন্দ 'দ চেন স্মোকরস' গী কন্সর্ট য়েংবা চৎখিবা প্রবিস মাঙখিবগী মতাংদা ময়াম্বনা নোইদাগী নোলেজ পার্ক পুলিস ষ্টেসন্দা মীসিং রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখি।

লাইরিক ফংলগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ : মীতৈ ময়েক্তা ইবা বি এ ফার্ষ্ট সেমিষ্টরগী মণিপুরী টেক্সবুকশিং থা অসিগী ২০ ফাওবদা মার্কেটতা ফংলগনি হায়না দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী দিরেক্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অহানবা সেমিষ্টর অমসুং ...

মখা লামায় ৩ কলম ১

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	76.645985
US Dollar	64.001252
British Pound	84.993816
Australian Dollar	51.404259
Chinese Yuan Renminbi	9.800331
Japanese Yen	0.581463
Malaysian Ringgit	15.267439
Norwegian Krone	8.150486
Singapore Dollar	47.573196
South Korean Won	0.056773
Swedish Krona	8.030416
Turkish Lira	18.602853
Myanmar Kyat	0.04727
Bangladesh Taka	0.78153

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30556.15
Mumbai	–	Rs 31572.19
Delhi	–	Rs 30855.61
Kolkata	–	Rs 31582.89

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩৩০.৫২ °C	২৪.৫৪ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩১.২৯ °C	২২.৪৪ °C
সেনাপতি	৩০.০২ °C	২১.৩২ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২১.৪০ °C	১৫.৭৬ °C
মণিপুর	৩২.৯৮ °C	১৫.৭৬ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৪৫ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০০

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২১

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

HL POLL

Q : Kanglup masel yengthinagadaba bill puthokloi hairibasina ILPSta akaiba thokhallakkani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurgi Jiribam nattraga pangal taba mafamsingda Rohingyasing chensillakkani haiba thajabra?

Yes 76% No 24%

অস! লোইরেহে!

করিনুংগী মেম্বর ওইনিংলুবনো?



নোংঙানবগা চাগেগা থক্কেগা, কনানবু পু-থাংবা ঙমদৌরিবনো...!

পি এল এ ৪, এম এন পি এফ ১গী হকচাং ঙসি ইম্ফালদা য়ৌরক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএনএস) : কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কসোম খুল্লেন্দগী খা-নোংপোক্তা কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা ম্যান্মারগা তাইনবা মকান খুলদা এন এস সী এন (আই-এম)না নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা পি এল এগী কাদর মরি অমসুং মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)কী কাদর অমগী হকচাং হয়েং ইম্ফালদা য়ৌরক্লগনি।

লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবা পি এল এগী কাদরশিং অদুদি কংলাতোংবী বজার বোর্দ ময়াদগী লূপ অসিগী সার্জন মেজর ৱারেপ্পম দিনেশ এলিয় রিচার্দ, অপোকপগী মিং দল্লিয়ু নোংয়াইজাও; লৈতানপোকপীদগী লূপ অসিগী সার্জন খুন্দ্রাকপম সুনিল এলিয়স লালবোই, অপোকপগী মিং কে ঐচ সনাতোম্বা; কৈবী অৱাং লৈকায়দগী প্রাইভেট মোইরাংথেম তোম্বা এলিয়স ননাও, অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা এম বিরেন অমসুং কছাড় লখিম্পু খুনৌদগী প্রাইভেট কোঞ্জেংবম শ্যামসুন্দর এলিয়স শিনথৌবা, অপোকপগী মিং কে নির্মোলনি। এম এন পি এফকী কাদর অদু উখুল দিষ্ট্রিক্টকী কামজোং ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা নোংদম ভীলেজদগী রাইখম জাজো, অপোকপগী মিং নিমাই জাজো কৌই হায়রি।

মীওই মঙাগী হকচাং অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.২০ লোম তাবদা কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসন ফাওবা পুরক্লে। অদুবু কসোম খুল্লেন্দগী অমুক কিলোমিটর ৮ লোম চৎলগা লৈবা চীংগী গোলাই অমদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী হকচাং অদু পুরকপা য়াদনা পন্দুনা লৈরে। অদুমকপু হয়েং অয়ুক হকচাংশিং অদু ইম্ফালদা পুরক্লবা য়াই হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, কাদরশিং অদুনা লৌশঙ অমদা তুমদুনা লৈরিঙৈদা আই-এমগী মশীং য়াল্লবা কাদরশিংনা নারোলদা চঙশিল্লক্লগা ঙরাং অয়ুক্কী পুং ২.২০ রোম তাবদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎখিবনি। লৌশঙ অদুদা তুমদুনা লৈরিবা কাদরশিং হাৎলবা তুংদা মখোয়না পায়রম্বা নোংমৈ, বোম অমসুং লানগী মচাক-মথুম পুন্নমক আই-এমগী কাদরশিং অদুনা পুরগা চৎখ্রে। অদুমকপু লূপ অহুম্মক্তগী চেচাং অমফাওবা থোরকপা লৈত্রি।

এন্তিসিপেটরি বেল পুন্নমক সেপ্টেম্বর ১৮দা খন্নরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ : হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ওইনাম নবকিশ্বর, হান্নগী চীফ সেক্রেটরি পি সী লমকুঙাদা মরক্কী ওইবা এন্তিসিপেটরি বেল পীখ্রবা মতুংদা অপুনবগী ওইনা এন্তিসিপেটরি বেলশিং মখা তানা পীগদ্রা নৎত্রগা পীরোইদ্রা হায়বা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৮দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা খন্নগদৌরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টতা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে। পনবা য়াবদি, পি সী লমকুঙা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এন্তিসিপেটিরি বেল পীখ্রে।

'রোহিনজাশিং চঙলকপা থিংনবা থবক লৌখৎকদবনি'

NATIONAL IDENTITY PROTECTION COUNCIL (NI
MOTTO:- Integrity, Peace and Unity
On Wednesday the 13th September 2017
AT KEIS PAT YUMJA AIREMBI CO UNITY

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএনএস): নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সীল (নিপকো)গী ১৭শুবা কুমওন থৌরমদা রোহিঙ্গাশিং মণিপুরদা চঙশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মণিপুর লৈঙাক্না মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ডা. হোমেন থাংজমনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎ য়ুমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজগী প্রোফেসার ডা. হোমেন থাংজমনা হায়খি, ম্যান্মারগী রোহিঙ্গাশিং রাখিনে ষ্টেট থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবা অদুগী য়েংলগা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। রোহিঙ্গা ময়াম অসি মণিপুরদা চঙশিল্লকপা থোক্লবদি তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা ওইরকপা য়াই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী কলহৌনবা হোৎনবা চঙই।

ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লৈহন্নবা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নগদবনি। মীয়ামগী মীহুৎশিংনসু ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌফম থোকই।

লাক্কদৌরিবা জেনরেল পঞ্চায়ট মীখলদা মীতোপ্পা ভোট লেপ্পা য়ারোই হায়বগী লৈতাদবা ফীভম অমসু লৈরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা নিপকোগী প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রেমজিৎনা হায়খি, কুমজা ২০০০দা নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি হায়না খঙনরমই। পিছ, য়ুনিটি, ইন্তিগ্রিটি হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা কম্মিটি অসি লিংখৎখিবনি। মমাঙগী মীফম অমদা কম্মিটি অসি নেসনল প্রোটেক্সন কাউন্সীল (নিপকো) হায়না মিং ওন্নবা ৱারেপ লৌখি।

নিপকোনা ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

আই-এমগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈ কুকি ময়াম হাৎখিবগী ৱায়েল চত্থগদবনি : কুকি ইনপি

FIRST SETTLE THE ISSUE OF -
BEFORE FINALISATION OF INDO-NAGA FRAMEWORK AGREEMENT

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএনএস): কুমজা ১৯৯৩গী সেপ্টেম্বর ১৩দা জৌপি, গেলনেল অমসুং জাংলেন-ফাই ভীলেজদা লৈরম্বা কুকি মীচম ময়াম এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরশিংনা মীনুংশি খঙদনা হাৎখিবা থৌদোক নীংশিংদুনা ঙসি কুকি ইনপি মণিপুরনা শীন্দুনা ব্লেক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কুকি ইনপিনা থা অসিগী ১১দা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অমদা এন এস সী এন (আই-এম)গী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা কুকি মীচম ৯০৫ হেন্না হাৎখিবগী ৱায়েল চত্থগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

অমম্বা নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা অমুবা ফিজোল শেত্তুনা কুকিশিংনা ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিংদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদু থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও গ্রাউন্দগী হৌরগা চিংমৈরোং খোঙনাং অনী কারক্তগী নোর্থ এ ও সীদা লাক্তুনা খুয়াথোং ফাওরগা থাও গ্রাউন্দদা অমুক থুংখিবনি।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা কে এস ও জেনরেল...

মখা লামায় ৩ কলম ২

বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক্কা পুন্না চৎমিন্নখিগনি : অৱাংবৌ ন্যুমাই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএনএস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লূচিংবা মণিপুর লৈঙাক্কা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কা পুন্না চৎমিন্নখিগনি হায়না পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

হোটেল ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, নাগালেন্দদা এন পি এফকী এম এল এ ৪৮ লৈবগী মনুংদা ৩৭ না টি আর জেলিয়াং অমদি নেফ্যু রিওগী অপুনবা লীচিং মখাদা লৈরি। মসিদা মণিপুরগী এন পি এফনসু শৌগৎলি। ডা. সুরহো জেলিগী গ্রুপতা শুপ্নগী এম এল এ ১১ খক লৈদুনা মাইনোরিটি তাখ্রবনি। টি আর জেলিয়াং অমদি নেফ্যু রিওগী মেজোরিটি ওইরিবা গ্রুপ অসিনা এন দি এ অমদি মোদিবু শৌগৎলি। মেজোরিটি ওইবা গ্রুপকী লীচিং মখাদা মণিপুরগী এন পি এফসু চৎলি।

মাইনোরিটি ওইখ্রবা সুরহো জেলিগী গ্রুপ অসি হান্ননা রিজেক্ট তৌখ্রবনি। মাইনোরিটি ওইরিবা কাঙবু অসিনা ফোঙদোরকপা ৱাফম লৌনিংঙাই ওইদে। এন পি এফ মণিপুরদা পুন্না লৈরি। দিভাইদ তৌনবা হোৎনরকপা ৱাফম কয়া অসি য়াবা ঙম্লোই। এন পি এফ মণিপুরনা মেজোরিটি ওইবা গ্রুপকা চৎমিন্নবগা লোয়ননা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা বি জে পিগা পুন্না চৎমিন্নরি। এন পি এফকী কনভেন্সন্না...

মখা লামায় ৩ কলম ২

ৱারেপ্নবা মীফমদা শরুক য়াবীয়ু : এস টি দি সী এম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএনএস): ইন্দিয়া লৈঙাক পথাপকী আর্টিকল ৩৪২(১)গী মখাদা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহল্লু হায়বা দিমান্দগী মখা চত্থরকপা ওইনা মীয়াম হুপ্পা ৱারেপ্নবা মীফম অমা থা অসিগী ২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়না সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাইখোম অনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মখা তাবা খোঙজংশিংগীদমক পূন্না মায়োক য়ামিন্ননবা থা অসিগী ২৪, নোংমাইজিং নুমিৎতা কোনুং লম্পাক হপ্তা কাংজেবুংদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী মোত লৌবগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। মীফম অদুদা ক্লব, লূপ, মৈরা পায়বী, লূপকী মীহুৎ ২/৩ দং লাকপীদুনা শরুক য়াবীয়ু।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা নিংথৌ পান্দুনা তোঙানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্মী অমদি শাংলবা কুম ২০০০ হেনবগী পুৱারী লৈরবা লৈবাক অমনি হায়বসি কক্লীংঙাই লৈত্রবা অচুম্বা ৱাফমনি। মণিপুরনা কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী পার্ট-সী ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী থাক্তা লৈরম্বদগী তুংদা কুমজা ১৯৭২ দা মপুং ফাবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরকখি হায়রি।

চেরোল অনিা হায়, ষ্টেট অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা ঈগী নক্নবা মরী লৈনবা য়েলহৌ ফুরুপ কয়ামরুম খুন্দারি। অদুবু ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক পথাপ (কন্সটিট্যুসন)চৎনবা হৌরক্লবা মতুংদা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা য়েলহৌ ফুরুপশিং অসি কাঙলূপ খরা খায়দোক্তুনা কন্সটিট্যুসনগী মীৎয়েংদগী মান্নদবা ফুরুপকুম লৈরক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা মৈতৈ/মীতৈনা মতম কুইনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৈরক্লবসু লৈঙাক পথাপকী ৱাহন্থোক থওইনা খল্লুদনা লম্মুক্রুদুনা লাক্লি।

হীরম খুদিংমক্তা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবা ফুরুপ অমগুম মুৎখিবা য়াবগী অকিবা ফাওরক্লি। অসুম তৌনা য়েলহৌমী কল্লু, য়েলহৌমীগী শক্তম ঙাক্কদবনি হায়বনচিংবা অকনবা খোল্লাউ কয়া মায়কৈ খুদিংদগী লাউবা হৌনরক্লি। খোল্লাউশিংদুগী শরুক অমা ওইনা...

মখা লামায় ৩ কলম ৬

LOAN AVAILABLE

মথল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan

Service Loan

Pension Loan

Gold Mortgage

T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan

হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokiaobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/2145/26/8-26/9

ঈ-পাজ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫